# য়ুক্রেনগী ৱাথোক্তা শিখিবা মশিং ৫১ য়ৌরে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ য়ুক্রেনগী সেন্ত্রেল কিয়েবতা ঙসিসু নৌনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক হেনগৎলকপদগী প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসনা লাউথোকখিবা য়ানবা অমা কায়খ্রে। ঙসিসু মীওই খরা শিখিবগা লোয়ননা হৌখিবা লৈবাকপোকপদগী হৌনা ইরাং অসিদা শিবা মশিং পুলিস ১২ য়াওনা পুন্না ৫১ শুরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিপেন্দেন্স স্কৱারদা ফোটোগ্রাফর অমনা অশিবা মীচম ২১ গী হকচাং উরকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থা কয়ামরুম ইন্দিপেন্দেন্টস স্কৱারগী মনাক্তা লৈবা মফম অসিদা ৱাকৎলোইশিংনা কনশিন্দুনা লৈরকখিবনি। মখোয়না পুলিসতা ওনশিন্দুনা নুঙ অমদি পেত্রোল বোমশিং লংশিল্লকপদগী মীশি মীনাশিং হেনগৎলকপনি।

বরকুট হায়নসু খঙনবা রাইওট পুলিসশিংনা ওটোমেটিক রাইফলশিংদগী নোংমৈ কাপখি। ৱাকৎলোই খরনা রাইওট পুলিসতগী মুনবা চুঙ্গোইশিং শীজিন্নখি।

ৱাকৎ খোঙজং চংশিনফম অদু মীহাৎপুং অমগা চপ মান্নখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোক্লি।

জর্মনি, ফ্রান্স অমদি পোলেনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা ঙসিগী অথেংবদা মখোয়গী য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন কলিগশিংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলগা হন্দক য়ুক্রেনদা থোক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা ঈ নাই তানবগী থৌদোকশিং অসিগী থৌদাং ওইবশিংগী মথক্তা ওইথোকপা য়াবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা ৱারেপ লৌগদৌরিবনি।

অমরোমদা রসিয়ানদি ই য়ু অমদি য়ু এসনা পুখৎলকপা খোঙথাংশিং অসিনা ফিভম লুবা হেলহন্নবা নত্তনা কান্নবা অমত্তা ফংলোই হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎলোইশিংগী মথক্তা তকখাইরগা নৈতাবা ফিভম অমা পুরক্লবা রসিয়ানা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসতা তকশিনখি।

রুসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবা, মায়োক্লরকপা ৱাকৎলোইশিংবু লাকশিনবা ঙম্লোইদবা লৈবাক্কী লুচিংবশিংদদি রসিয়ানা মমাংদা লাউথোকখিবা তেংবাং শেলশিং অদু খুৎশিন্নরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা পুলিসকী মীওই কয়ামরুম শিবা অমদি শোকপা য়াওরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীৎনা উহৌবশিংনা হায়বদা, ৱাকৎলোইশিংগা রাইওট পুলিসশিংগা খুৎ থোক্লবদা স্নাইপর কাপ্পসু উহৌই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়বদা ঙসি শিখিবশিংগী মনুংদা পুলিসমেন অনি য়াওই হায়না ফোঙদোকখ্রে। মসিগা থারগা পুন্না শিখিবা পুলিস ১২ শুরে হায়রি।

ঙসিগী খুৎ থোক্লবা অদুদা ৱাকৎলোই ৩০ রোম শিখি হায়না লোকেল মেদিয়ানা ফোঙদোক্লখি।

নৌনা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনগা য়ুমথংনরিবা পোলেনগী প্রাইম মিনিষ্টর দোনাল্ড টস্কনা হায়বদা য়ুক্রেন অসি সিভিল ৱার থোকপা অমা নত্রগা য়ুরোপিয়ানশিংগা নক্লনিংবা নোংচুপ অমদি রুসিয়ানশিংগা নক্লনিংবা নোংপোক হায়না অনি থোক্লা কায়বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা য়ুরোপিয়ান মিনিষ্টরশিংনা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসকা উন্নখিবা অদুসু সিক্যুরিটি রিজনশিংনা মরম ওইদুনা পুং অমা চোম্থরগা হৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# জপান ন্যুক্লিয়ার প্লান্টতগী রেদিওএক্টিভ ৱাটর য়ুরে



*টৌকিও, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ টৌকিও ইলেক্ট্রিক্ট (টেপকো) গী ওপরেটরনা হায়বদা জপানগী ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়ার প্লান্টকী ষ্টোরেজ টেঙ্কতগী কা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা রেদিও এক্টিভ ৱাটর টন ১০০ রোম য়ুরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হু চেল্লবা ঈশিং ষ্টোরেজ টেঙ্ক অদুগী বাল্ব অমা শোইদুনা হাঙলম্বদগী য়ুরকপা ওইরম্বা য়াই হায়নসু টেপকোনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপরেটর অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, য়ুরক্লিবা ঈশিং অসি সমুদ্রদদি য়ৌগদবা মান্দে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট অসি ইং ২০১১ দা থোকখিবা য়ুহার হাবা অমদি সুনামিনা অকাই অতোই থোকহনখিবদগী হৌজিক ফাওবা মৈ ফংদবা অমদি লিকেজনচিংবা প্রোব্লেম কয়ামরুম মরক মরক্তা থেংনরিবনি।

খ্বাইদগী কোনবা ওইনা থোক্লিবা হন্দক্কী লিকেজ অসিনা মমাং চহিগী ওগষ্ট মতুংগী ওইনা খ্বাইদগী অরুবা প্রোব্লেম অমা ওইরি। ওগষ্ট থাদসু প্লান্ট অসিদগী রেদিওএক্টিভ ৱাটর টন ৩০০ লোম য়ুদুনা জপানগী ন্যুক্লিয়ার এজেন্সিনা থৌদোক অদু খুদোংথিনিঙাই ওইবা চাং য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

টেপকোগী ৱাঙাংলোই মসায়ুকি ওনোনা হায়বদা, ঙরাং য়ুরকখিবা ঈশিং অদুদা য়াওবা মচাকশিং অদু রেদিওএক্টিভ আইসোতোপ লিটর অমদা বেকরেল মিল্লিয়ন ২৩০ রোমগী চাংদা য়াওদুনা কা হেন্না হু চেনবা ঈশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং প্লান্ট অসিদগী ঈশিং য়ুরকখিবা অদু পুং কয়ামরুমদি খঙবা ঙমখিদে হায়নসু বি বি সিগী পাউমী অমনা টৌকিওদগী ফোঙদোরকখি।

# ইরান ন্যুক্লিয়ার দিলগী ফ্রেমৱার্ক য়ান্নখ্রে



*ন্যুক্লিয়ার দিলগী মতাংদা ৱারী শান্নবা থৌরম পাঙথোক্লিবা ভিয়েনাগী পেলেজ কোবর্গ হোটেল অমগী মমাংদা কেমেরামেন অমনা ফোটো কাপ্লি*

*ভিয়েনা, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদা মপুং ফাবা দিল অমা চৎনহন্নবা ৱারী ৱাতাই শান্নরিবা অসিগী ফ্রেমৱার্ক অমা মায়কৈ অনিমক্লা য়ান্নদুনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদা ৱার্ল্ড পৱারশিংগা ইরানগা ৱারী শান্নবগী থৌরম অদু লোইশিল্লে হায়না ইরাননা ফোঙদোরকখ্রে।

দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্ট অব্বাস অরাকচিনা ষ্টেট মেদিয়াদা হায়খিবদা ভিয়েনাদা ফম্মিন্নখিবা অদুদা য়াম্না কান্নবা ওইগদবা ফিভম অমা ওইখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ই য়ুগী ফোরেন পোলিসি চিফ কেঠরিন এষ্টননা হায়বদসু মীহুৎ পুম্নমক্লা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা মরুওইবা ইসুশিং শেংনা খঙমিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মহাক্লা হায়খিবদা তৌগদবদি য়াম্না ৱাৎলি। হৌজিক মমাং চহিগী নভেম্বরদা লেপ্পখিবা ইন্টরিম এগ্রিমেন্ট অদু থবক ওন্থোকপদা অরাইবা ওইরোই হায়নসু মখা তাখি।

য়ু এস, য়ু কে, ফ্রান্স, চাইনা অমদি রুসিয়াগা পুন্না জর্মনিসু য়াওরগা পি৫+১ হায়নসু খঙনবা ৱার্ল্ড পৱারশিংগা ইরানগা য়ানখিবা ইন্টরিম দিল অদুদা ইরানগী মথক্তা লৈবা সেঙ্কসন খরা কোমথোকপগী মহুৎ ওইনা লৈবাক অসিনসু য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট থৌরমশিং খরা ককশিনবা হায়না য়ানখিবনি।

ইরাননা মসিগী য়াম্না লুবা ন্যুক্লিয়ার এক্টিভিটিশিং মতম চুপ্পগী ওইনা হন্দোক্লগা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শারোই হায়বগী শোইদবা ৱাফম অমা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা পাম্লিবনি। অদুবু ইরাননা হায়রিবদি মসিগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি শান্তি ওইবা থৌরাংগীনি হায়বগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী শেনমিৎলোনবু শাথিনা শোকহল্লবা সেঙ্কসনশিং লোইশিনখিবা অদুনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রিয়াগী কোনুং অসিদা এষ্টননা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নিনিগী ৱারী শান্নবা থৌরম অদুদা অরাকচিনা হায়খিবদা মায়গৈ অনিমক্লা মপুং ফাবা ন্যুক্লিয়ার টৌক অসিগা মরী লৈনবা ফ্রেমৱার্ক অমদি লৌখৎলক্কদবা খোঙথাংশিংগী থৌরাং অদু য়ানবা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# থাই প্রাইম মিনিষ্টরনা করপসন চার্জ য়াখিদ্রে

*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ হৌখিবা চয়োল খরগী মমাংদগী থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী মথক্তা ওপোজিসননা পাক চাওনা করপসন চখবগী মরাল শিরকখিবা অদুগী মতাংদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা থোকপা চেরোল অমদা মরালশিং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে।

য়েৎননিঙাই ওইরবা চেং নৈবগী থৌশিল অমগী মতাংদা করপসন চখখি হায়বা ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপদা থাইলেন্দগী এন্টি করপসন কম্মিসননা হায়খিবদা চেংগী থৌশিল অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুগীদমক চার্জ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

করিগুম্বা চার্জশিং অসি চুম্লে হায়না প্রমান তৌরগনি প্রাইম মিনিষ্টর অসি নম্ফুদা মহাক্কী ওফিসতগী লৌথোক্কদৌরিবনি।

চৈরক অসিদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিবু মফম লৌথোক্লবা কেম্পেইন লেপ্তনা চংশিল্লি। মঙোন্দা শিরকখিবা মরাল অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী ওফিসিয়েল ফেসবুক পেজদা থাগৎখিবা ৱারোল অদুদা এন এ সি সি না শীরিবা মরালশিং অদুগী মতাংদা ঐহাক্তি করিসু খঙবা লৈতে হায়বসি অমুক্কসু হন্না চেৎনা ফোঙদোক্লি হায়খিবনি।

ঐগী ইথক্তা ক্রিমিনেল চার্জশিং থাঙ্গৎতুনসু অদুগা ঈথৌদগী নমদুনা পোত্থাহনবগী ফিভম কনাগুম্বশিংনা পাম্লগসু মীয়ামগী য়েংদুনা ঐনা অচুম্বা খঙদোক্লবা হোৎনরকপা খোঙথাংশিংদা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী হৌনা থাইলেন্দদা রাজনিতিগী ওইবা চরাংনবা ফিভম অমা লৈরক্লিবনি।

# মিলিটেন্ট লোৎফমশিংদা পাকিষ্টাননা বোম থাদখ্রে

*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ লোমদা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা পাকিষ্টানগী ফাইটর জেদশিংনা নোংথক্তগী এটেক চখদুনা বোম হৈথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিরে হায়না লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

এটেকশিং অদু মরুওইনা মির অলি টাউন অমদি অকোইবদা লৈবা মফমশিংদনি। মিলিটরি লিখুনশিংনা হায়বদদি ষ্ট্রাইকশিং অদু খাইবর এরিয়াদা চখখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি চয়োল অসিগী হৌরকপদা পাকিষ্টান গভর্নমেন্টকী নেগোসিয়েটরশিংগা টালিবান মিলিটেন্টশিংগা শান্তিগী ৱারী শানবা থৌরাং অমা পায়খৎখিবদা মৈহে য়ানখিদ্রবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিংদা টালিবানগা শম্নবা লুপ অমনা মখোয়না ফাজিন্দুনা থম্বা পেরামিলিটরি লান্মী ২৩ হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরকপদগী শান্তিগী ৱারী অদু কায়খিবনি।

পাকিষ্টানি ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা, নোংথক্তগী ষ্ট্রাইক চখখিবদু মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা চপ চানা টার্গেট তৌখি। ষ্ট্রাইকশিং অদুনা মিলিটেন্টশিংগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অমদি নোংমৈ মরুশিং মাঙ তাকহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদা চখখিবা এয়ার ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীরৈবাক্কী ফাইটর খরসু শিবশিংগী মরক্তা য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# শারৈ হৌবশিংদা কান্নগদবা থৌরাং খরা

*শারৈ হৌবগী খুদোংথিবা মায়পুনরবসু হকচাং শেংলবা ৱাখলগী শক্তি ফজনা লৈরবদি মতিক চাবা খোঙথাং অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা নুংঙাইবা পুন্সি লেনবা য়াই। অদুবু থৌরাংশিং অসি পেসেন্ট খুদিংমক্তা চপ মান্নদবসু য়াই হায়রি।*

*ইপিলেপসি (শারৈ হৌবা) পেসেন্টশিংনা চেকশিনগদবদি সিরি থাক য়াওদবা য়ুমদা লৈবা মথৌ তাই। মসিনা শারৈ হৌরকপদা খুদোংথিবা থোক্কদবদগী ঙাকথোক্কনি। ইলেক্ট্রিক্টকী অমদি য়ুমদা শীজিন্নগদবা দিভাইসশিং লৈবা মতমদা ওটোমেটিক সট-ওফ স্বিটচ য়াওবশিং খনগদবনি। মচেক ময়া তুম্বা অমদি অথৌবা টেবলনচিংবা ফর্নিচরশিংগী মনাক নক্লা য়ারিবমখৈ লৈরোইদবনি।*

*শারৈ হৌবা মীওইশিংবু ইমুং মনুংনা মৈ হৌরিবা মফমশিংগী মনাক্তা য়ারিবমখৈ চংহল্লোইদবনি। ইমুংদা নাইতোম লৈহৌবা মতমদা ইমুং মনুং, মরুপ মপাং অমদি য়ুম্লোন্নবশিংবু পাউ খঙহনবা য়াবা থৌরাং অমা মাঙজৌননা য়াৎথোক্কদবনি। পোৎ চৈ থোং থাকপা মতমদা ষ্টোবকী মহুৎতা মাইক্রোৱেব ওভন শীজিন্নগদবনি।*

*শা ঙা থোংবা মতমদা অশেম্বা ঙাক্তা থোঙ্গদবনি। ইরুজফম কাদা কৈদৌঙৈদা মনুংদগী ছো ল্লোইদবনি। সিঙ্ক নত্রগা বাঠতফ মনাক্তগী ইলেক্ট্রিক্টকী পোৎলমশিং লাপ্পা থমগদবনি। ঈশিং শাহনবদা লো টেম্পরেচরদা মতম পুম্নমক্তা থমগদবনি।*

*শাজেল তৌবা তারবসু মাঙজৌননা ঈশিং মরাং কায়না থকপা ফৈ অদুগা কা হেন্না শাবা ফিভমদা শাজেল তৌরোইদবনি। ফিটনেস প্রোগ্রাম অমা পায়খৎত্রিঙৈদা ডাক্তর অমা নত্রগা ন্যুরোলোজিষ্ট অমা হান্না কুপ্পা তান্নবীবা ফৈ।*

# অৱাং অমদি খা কোরিয়াগী ইমুং মনুংশিং উন্নহনখ্রে



*সিওল, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ কোরিয়াগী লাঞ্জাওনা খাইদোক্লহনখিবা মতুং চহি কয়ামরুম অমুক্তা উন্নবা ফংদনা লৈরকখ্রবা ইমুং মনুং মীওইশিং থোইদোক্লা তাংবা থৌদোক অমদা ঙসি অৱাং অমদি খা কোরিয়াগী মীওই চা কয়ামরুম পুন্না উন্নদুনা অৱা অনা হংবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে হায়রি।

অৱাং কোরিয়াদা ঙসি পাঙথোকখিবা অখন্নবা উনহনবগী থৌরম অসিদা খা কোরিয়াদগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই ১০০ হেন্না লাকখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফহন্নবা অৱাং কোরিয়ানা হৌদোরকপদগী ওইরকখিবা পুনশিন্নবগী থৌরম অসি ঙসিদগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ২৫ ফাওবা চত্থগদৌরিবনি। অমরোমদা থৌরম অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা য়ু এস-খা কোরিয়া মিলিটরি দ্রিলগী থৌরাং অদুগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবনি।

করিগুম্বা মিলিটরি এক্সরসাইজ অসি চত্থনবা লেপ্পবদি পুন্না উনহনবগী থৌরম অসি তোক্কনি হায়না অৱাং কোরিয়ানা মমাংদা ফোঙদোকখিবসু লৈরিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা খা কোরিয়াগী অহল ওইরবা মীওই ৮২ না ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা বসতা অৱাং কোরিয়া তন্না লাকখি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা অহল খরদি হ্বিল চিয়ার লোয়নদুনা লাকপসু য়াওখি। অদুগা অহল অনিদি ফমশেন্নবা মথৌ তাবনা এম্বুলেন্সতা লাকখি হায়নসু পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মরুওইরিবদি ইমুং মনুং ওইবা মীওইশিং অসিনা ঙসি উন্নখ্রিবা অসি দিকেদ খরগী মতুংদা অহানবা থৌদোকনি। থৌরম অসিগীদমক খা-কোরিয়া মচাশিং অদু অৱাং-কোরিয়াগী মাউন্ট কুমগাং রিজোর্টতা থুংলখি।

পনবা য়াবদি কোরিয়াগী লাঞ্জাও অদুনা কোরিয়ান মিল্লিয়ন কয়াবু ইমুং মনুংগা কায়নহনখ্রবনি। মখোয়না লাকপদা ফিরোল, হিদাক লাংথক অমদি চান থক্লবা য়াওনা খুদোলপোৎ কয়ামরুমসু পুরকখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদু চাক্লেন খরসু চামিন্নগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পুন্না অৱাং কোরিয়া মচা ১৮০ রোমসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহি ৯০ শুরবা সোন কি হোনা অৱাং কোরিয়াদা পিশক পীক্লা হুন্দোক্লম্লবী মচানুপীবু অহানবা ওইনা উবা ফংখি। পাউমীশিংদা অহল অসিনা হায়খিবদা, ঐগী ইচানুপীনা চহি কয়াগী মমাংদা কায়নবা মতমদা মখুৎ হায়দুনা লৈহৌবা অদু ঙসিসু তরং তরং উরি হায়না ফোঙদোকখি।

কাং ৱান বু হায়বা মশাগী চহি ৮১ শুরবা অহল অমসু অৱাং কোরিয়াগী আর্মিদা লৈহৌবা ময়াম্বগা চহি কয়াগী তুংদা অহানবা ওইনা উন্নবা ফংখি হায়নসু য়োন হাপনা ফোঙদোকখি।

# সি এ আরদা য়ু এন ভিজিট চংলকপা থিংখ্রে

*বাঙ্গুই, ফেব্রুৱারি* ২০ঃ সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) কী কোনুং অসিদা লৈবা এয়ারপোর্ট অমগী মনাক্তা য়াম্না কন্না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা ঙরাং থোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদগী হোন্দোকখিনবা হোৎনখিবা মুস্লিমশিংবু খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংনা থিংবগী থৌদোক অমসু থোকখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক ওইবা এদ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়বদসু মমাংদা ফ্রেন্স কোলোনি ওইরম্বা লৈবাক অসিদগী মীকোক মিল্লিয়ন অমরোমবু লৈফম চাফম খঙহনখিদ্রবা লাইনিংগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্স থৌদোক অমগী খ্বাইদগী অকোনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা থোক্লিবা শাথিরবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং অসি অফ্রিকানা লিশিং ৬ অমদি ফ্রেন্স পিছকিপ্পর ১৬০০ লোমনা খাম্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবনি। পেরিসনা ফোঙদোকপি ৱারোল অমদা লৈবাক অসিদা জেনোসাইটকী থৌদোক অমুক থোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

